হুইয়েন লানপাও

Refreshingly Readable
The messenger of the masses

ককচীংদা লৈবা কম্যুনিটি হেল্ঠ সেন্টরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা য়েংশিনবগী শক্তম

চুম্মী হায়না লৌবীব্রা? লাল্লি হায়না লৌবীব্রা হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী ১৯শুবা খুৎনম অমদি *নুঙ লৈবদা মনা মশীংগী লায়েং গী* ১৪শুবা খুৎনম ফোঙবা

NUNG LEIBADA MANA MASHINGI LAYENG

দ্রগ অমদি ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবা য়ারোই, ময়াই কাবা চীঙ্গাক চারগা নুপী অঙাংদা তায়নগনু হায়বা পাউজেলশিং পুদুনা থাংমৈবন্দদা চৎখিবা মৈরা খোঙচৎ

খোংজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা লৈবা পাওনা ব্রজাবাসিগী মীতমদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লৈ কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎপগী শক্তম

Vol. 41, Issue No.031 নিংথৌকাবা, শজিবু ২৮ নি পানবা অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Monday, April 24, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	২৮.৪৬ °C	২০.৮৫ °C
সীসীপুর	২২.৭৮ °C	১৬.৪৫ °C
ইম্ফাল	২৪.৪৩ °C	১৮.১৭ °C
সেনাপতি	২১.৯৬ °C	১৭.২২ °C
তমেংলোং	২৪.৪৮ °C	১৯.১৮ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	১৫.৮৩ °C	১২.৭৮ °C
মণিপুর	২৮.৪৬ °C	১২.৭৮ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৮৭ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪১
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লক্নে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পাৎসোই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কোন্থৌজম মমাং লৈকায়দা লৈবা য়ুম অমদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোকখায়হনখ্রে। থৌদোক অসি হৌখিবা অহিংগী পুং ১২.৪২ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। প্রেসনা ফঙবা পাউগী মতুংইন্নদি শকখঙদবশিংনা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বা য়ুম্বু অদুগী মমীং চাংঙৈলুঙ কবুই (৫৩) মপুরোয়বা চাংঙৌ কবুই কৌই। মহাক কোন্থৌজম মমাং লৈকায়দা লৈবনি হায়রি। হৌখিবা নোংয়াই মতুংদা মখোয়গী য়ুমগী কোন্থোং ময়াদা মখোল অহৌবা অমা তাখি হায়দুনা ঙসি অয়ুক হৌগৎতুনা য়েংলুবদা বোম পোকখায়বগী অকায় অতোয় থোক্কুনা লৈরম্বা থেংনখি হায়রি। মফম অদুদা বোম পোকখায়খ্রে হায়বা খঙবদগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা খুদক্তা পাৎসোই পুলিসতা পাউ পীদুনা খঙহনখি। মতুংদা পাৎসোই পুলিসকী টিম অমা লাক্কুনা য়েংশিনখি হায়রি।

লুপা লীশিং ৪২ রোমগী য়ু ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ : ময়াই কাবা চীঙ্গাক লমদম অসিদা অথিংবা লৈনা লৈনা শিংজমৈ পুলিসনসু হঞ্জিন হঞ্জিন মঙারক ফাখ্রবা য়ু য়োনবা নুপা অমগী য়ুমদা ঙসি পুলিসনা রেইদ চথবদা লুপা লীশিং ৪২ রোমগী য়ুঙাং অমদি য়ুঙৌ ফারে হায়রি। পুলিসকী পাউনা হায়, চপ চাবা পাউ অমা ফঙবদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি এন হেরোজিৎ, এদিস্নেল এস পি (ওপরেসন) ডা. এস ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা এস দি পি ও শিংজমৈ অমদি শিংজমৈ পি এসকী ও সী এন ইঙোচা য়াওবা টিম অমনা শিংজমৈ চীংঙামখা নিংথৌজম লৈকায়দা লৈবা খুন্বোংময়ুম

…মখা লামায় ৩ কলম২

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

HL POLL

Q : Minister / MLA na transfer policy da khut thingjillimakhei Minister gi yengsin khongchat kannagadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : BOSEM na louba HSLC Exam da subject ayambagi wahang lallibasi cheirak pifam thoktabra?

Yes 89% No 11%

অস! লোইরেহে!

ঐগী মিং করি থোল্লে হায়বা...!

ꯑꯩꯒꯤ ꯃꯤꯡ ꯀꯔꯤ ꯊꯣꯜꯂꯦ ꯍꯥꯏꯕ...!



সার, ব্লোকেদ ঙম্বা হায়না কৌনরে, তুংদসু ঙম্বা ওইবীয়ু...!

ꯁꯥꯔ, ꯕ꯭ꯂꯣꯀꯦꯗ ꯉꯝꯕ ꯍꯥꯏꯅ ꯀꯧꯅꯔꯦ, ꯇꯨꯡꯗꯁꯨ ꯉꯝꯕ ꯑꯣꯏꯕꯤꯌꯨ...!

খোংজোম তুরেলদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা অথৌবশিংদা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে

‘অথৌবশিংগী নিংশিং খূভম থম্মোয়নুংদা থমগদবনি’

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস) : কুমজা ১৮৯১ দা খোংজোমগী খেবচীংদা শোক্লখিবা মণিপুরগী অরোইবা নীংতম লানফমদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ঙসিগী মীরোলনা মপুং ফানা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা থৌরমদি বৃটিশ লান্মীগা মণিপুরগী লান্মীগা অকনবা লান শোক্লফম ওইখিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খোংজোমগী খেবচীংদা লৈবা খোংজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি। মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলা, চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমার, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্ব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দ, কেবিনেট মিনিষ্টরশিং অমসুং এম এল এশিং, লৈঙাক্কী থৌমীশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (সী এস ও) কয়াগী লুচিংবশিং অমসুং কাঙলূপ কয়াগী মীয়াম্না খেবচীংখোঙদা চেল্লিবা খোংজোম তুরেলদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা নীংতম লানফমদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিং অদুগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

খেবচীংথক্তা লৈবা ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্স, খোংজোম চীংখাদা লৈবা পাওনা ব্রজবাসিগী মীতমদা মণিপুর রাইফলসকী কন্টিঞ্জেন্ট অমনা গার্দ ওফ ওনর, গন সেল্যুট পীবগা লোয়ননা লাষ্ট পোষ্ট খোংদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। গভর্ণর অমসুং চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা পাওনা ব্রজবাসিগী মীতমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি অমসুং মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরমদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা হায়খি, মণিপুরগী মীয়াম্না হৌজিক লৈরিবা অথৌবশিংগী নিংশিং খূভমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপগী মথক্তা মরৈবাক নিংবা অথৌবশিংগী নিংশিং খূভম ইশা-ইশাগী থম্মোয়নুংদা থমগদবনি।

ঙসিগী মীরোলনা লৈত-লায়রবা, অৱা-চৈথেং, ইলিটরেসি, অমনা-অমবু হন্থনা য়েংবা অমদি খুন্নাইগী ফত্তবশিং অমত্তা ওইনা মায়োকমিন্ননবা ৱাশক লৌরবা মতমদা অসিগুম্বা মখলগী অথৌবশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরম ৱাহন্থোক লৈগনি।

মথৌনা লৈরবা মণিপুরী লান্মীশিংনা মপাঙ্গল কল্লবা বৃটিশ লান্মীগা মায়থীগনি খঙনা-খঙনা লান্থেংনখিবগী থৌদোক গভর্ণরনা নৌহৌননা নিংশিংখি।

মহাক্না হায়খি, খোংজোম লানগী অথৌবশিংনা মতমদুদা অফবা খুৎলায় পায়বগা লোয়ননা মশিং য়াম্বা হেনবা বৃটিশ লান্মীগী মখুৎতা শোয়দনা মায়থীগনি হায়বা খঙখি। অদুবু মমা লৈবাক্কী নিংতম্বা ঙাক্লবগী মতাংদা খোঙফম অমফাওবা হন্দোকপা তৌখিদে।

খোংজোম ৱার মেমোরিএলদা ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মতমদুদা মণিপুরগী মথৌনা লৈরবা অথৌবশিংনা শুপ্পগী থাঙ অমদি চুঙ্গোই খক্তনা মপাঙ্গল কল্লবা বৃটিশ লান্মীগা মতৌ করম্না লান্থেংনরমগদগে হায়বদু নিংশিংবা চুমগনি।

ঙসিদি ঐখোয় মরৈবাক নিংবা অথৌবশিংনা কত্থোকখিবগী মহয়না নিংতম্বা লৈবাক অমদা লৈবা ফংলে। ঙসিগী মীরোলনসু লৈবাক্কীদমক করি-করম্বা থৌদাং লৌরবগে হায়বদু নুমিৎ খুদিংগী ইশানা ইশাদা হংজবা মথৌ তাই হায়নসু গভর্ণরনা ফোঙদোকখি।

দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী ৱারোলদা ৱাই জয়কুমারনা হায়খি, নিংথৌ মচাশিংগী মরক্তা লিংজেল মান্নরক্তবদগী মতমদুদা মণিপুরীশিংনা বৃটিশ লান্মীগা লান শোক্লখিবনি। হৌজিকসু ঐখোয় মশেল লিংজেল মান্নদবা থোক্লবদি লৈবাক অসিদা পামদবা থৌদোক কয়া থোরক্কনি।

খোংজোম লান নিংশিং থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা মতমদুদা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা মীয়াম্নদি খঙবীখিদ্রবা লান্মীশিংগী মফমদসু ঈকায় খুম্নবা উৎফম থোকই হায়নসু দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা খোংজোম লানদা য়ুম্ফম

…মখা লামায় ৩ কলম ২

চীফ মিনিষ্টরনা চীং-তম নকশিন্ননবা লৌখৎলিবা থবক্তা পি এমনা থাগৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস) : নিটি আয়োগকী গভর্ণর কাউন্সিলগী মীফমদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনবু মহাক্না চীং অমসুং তমগী মরী নৌহৌননা শাগৎননবা লৌখৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুরগী নিংতম্বা ঙাক্লনবা লানফমদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বদা শরুক য়ারম্বনা মরম ওইরদুনা নিটি আয়োগকী অয়ুক্কী মীফমদা চীফ মিনিষ্টর এল বিরেন শরুক য়াবা ঙমখিদে। অদুমওইনমক ঙসি নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৬ তগী ১১ ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চ্যের লৌদুনা বি জে পিনা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিং য়াওবা মীফমদদি শরুক য়াখি।

বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর ১৪, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভেনকায়া নাইদু, বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহ, পার্টি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেসন রাম লাল য়াওনা পাঙথোকপা মীফম অদুদা এন বিরেন ৱা ঙাঙখি।

মীফম অদুগী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পাউচে অসিদা হায়খি, মহাক্না হীরম মরিদা ৱা ঙাঙখি। হীরম মরি অদুদি অহানবদা, কাঙলূপকী খেন্নবা থিদনা চীং অমসুং তমদা খুন্দামিন্নরিবা চীংমী-তম্মীশিং নুংশি-চান্ননা লৈমিন্ননবা অমসুং পূন্না চাউখৎমিন্ননবা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং, অনীশুবদা ষ্টেট অসিদা শেঞ্জা-থুমজা লৈতবা তরু-তরুবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবা মহাক্না এন্টি করপসন সেল হাংদোকখিবা, অহুমশুবদা ষ্টেট অসিগী থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিং থবক পীননবগীদমক স্কিল মিসন লিংখৎতুনা মশানা-মশাবু থবক পীবা য়াননবা মীৎয়েং চঙখিবা অমসুং মরিশুবদা চীং-তম অনীমক্কী লম্বী-থোংগী ফীভম ফগৎহন্ননবা পায়খৎলিবা থবকশিংনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, মহাক্কী লৈঙাক্না চীংমী-তম্মী নকশিন্ননবা লৌখৎলিবা থবকশিংবু প্রাইম মিনিষ্টরনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা

…মখা লামায় ৩ কলম ৪

মীলাল : মীতৈ লোল খঙবা মীওইবু এদভোকেট জেনরেল হাপ্পীয়ু

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): ওফিসল লেংগ্বেজ ওইরিবা মীতৈ লোল খঙদবা মীওইশিং চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজর অমদি এদভোকেট জেনরেল হাপ্পা য়ারোই হায়না মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশীল্লোন অপুনবা লূপ (মীলাল)না ফোঙদোরক্লি।

মীলালগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম ইন্দ্রজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মালেমগী ওইনা চত্থরক্লিবা মমালোল কঞ্জনবগী খোঙচৎতা কংলৈপাক লমদম অসিগীসু খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা চীং-তম অনীগী ফাওন-লোল ওইরিবা ওফিসল লেংগ্বেজ মীতৈ লোল খঙদবশিং মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজর অমসুং এদভোকেট জেনরেলগী ফম পুহল্লিবা অমদি পুহন্নবা থৌরাং তৌরিবসিনা মণিপুর লৈঙাক্লোয়শঙনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মখাদা লৈরিবা য়ুনেস্কোগী মমালোল কঞ্জনবগী পান্দম অদু শীংনবনি হায়না লৌবা য়াই।

কংলৈ মীয়াম্না লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং মুৎখিগদ্রা হায়না পাখৎনরিঙৈ মতম অসিদা লৈঙাক্না মীয়ামগী ঈহুল খঙদনা তৌনিংবা মওংদা থবক পাঙথোক্কুনা লৈরিবা অসি তুংদা অফবা ওইরক্লোইদবা খুদম অমনি। ফুরুপ অমা মুৎপা হায়বসি ইহান হানবদা ফুরুপ অদুগী লোল, নাৎ মুৎখিগনি, মালেমদা মতিং লৈনা মশাগী লোল, নাৎ কঞ্জনবা হোৎনরিবা কংলৈ মীয়ামগী তুংগী ফীভম ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মতম চানা য়েংশিনবীফম থোকই।

লমদম অসিগী মীওই অমনা তঙাইফদবা অমগীদমক এদভোকেট জেনরেল উনবা লাকপা মতমদা ওফিসল লেংগ্বেজ ওইরিবা মীতৈ লোল অসি খঙদবা মীওই অমনা এদভোকেট

…মখা লামায় ৩ কলম ২

অথৌবশিংগী নিংশিং খূভমশিং শেমগৎনবা, নিংথিনা থম্নবা হোৎনগনি : জয়ন্তকুমার

ককচিং, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস) : মালেমগী লৈবাক কয়াদগী লাকপা লমকোয়বশিংগী মমাঙদা ঐখোয়গীসু ঈরৈবাক্কীদমক কত্থোকপা ঙন্বা থৌনা ফবা কয়া লৈরম্মী হায়বা অসি খঙহন্নবা ঙসিগী অনৌবা লৈঙাক্লোয়শিংনা অথৌবশিংগী নিংশিং খূভমশিং অসি নিংথিনা শেমগৎ-শাগৎপা অমসুং নিংথিনা থম্নবা হোৎনগনি হায়না হেল্ঠ মিনিষ্টর লাংপোক্লাকপম জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

পিপলস ম্যুজিয়ম, ককচিংনা শিন্দুনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মচিন-মনাও চীং, ককচিংদা ২৮লকশুবা ওইনা পাঙথোকপা ৱাঙ্খৈ মৈরাবা (পোইলা) লৈখিদবগী চহী ১২৬ শুবা নিংশিং থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা হায়, কুমজা ১৮৯১ দা মণিপুরীশিংগী ঈকায় খুম্নবা, শক্তম অমদি নিং-খা তম্বা ঙাক্লবা মশিং য়াল্লবা, খুৎলায় মতিক চানা পায়রবা বৃটিশকা মায়থীগনি খঙনা-খঙনা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিং অদুনা ইমা লৈবাক্কী নিংতম্বা ঙাক্লবগীদমক থৱায় কৎখিবা হায়বা অসি য়াম্না চাউনা কত্থোকপা অমনি। মখোয়গী মথৌনা, মরিংজেল অদুবু তুংগী মীরোলদা খঙহল্লম্বা তাই।

ঐখোয়না খোংজোম লাল ওইগেরা, ৱাঙ্খৈ মৈরাবগী ওইগেরা চহী খুদিংগী নিংশিং নুমিৎ পাঙথোক্লিবা অসি ইচম চম্না লাক্লগা লৈ খরা, হৈ খরা কৎপা

…মখা লামায় ৩ কলম২

পি এফ এগী টিমদা বেঙ্গল স্লো লোরিস অমা খুৎশিন্নরক্নে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (জে এন এন): টি ঐচ বসন্ত কৌবা মীওই অমনা পিপলস ফোর এনিমেলগী টিমদা বেঙ্গল স্লো লোরিস অমা শীন্নরক্নে।

পিপলস ফোর এনিমেলগী মেনেজিং ট্রষ্টি এল বিশ্বর্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌবাল শগোলতোংবদগী অমর্জিৎ সনসম কৌবা মীওই অমনসু শোক্লবা ইগল অমা শিন্নরকখ্রে। নোংপোক লৌরেম্বমদগী হুইদ্রোম ইনাওতোন কৌবা মীওই অমনা ককু বার্দ অমসু শিন্নরকখ্রে। উচেক অদু মখোঙ শোক্লে। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম অমদগী লিন ২ সুকনবা ঙমখ্রে।

অমরোমদা, পিপলস ফোর এনিমেল মণিপুরনা ঙরাং আর্থ দে নুমীৎতা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা বুংপা খুন্নৌদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

ইষ্টর্ন তাংখুল নাগা বেপটিষ্ট এসোসিএসন্না

…মখা লামায় ৩ কলম ৬

ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফত্তবনা শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা খুরৌ থাংলে : মোদি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৩ : ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফত্তবনা লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা খুরৌ থাংলে। মরম অদুনা লম্বী-থোং, হিথাংফম, পাৱর অমদি রেলনচিংবা বেসিক ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা অহেনবা শেনফম থাদবা মথৌ তাই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

নিটি আয়োগকী অহুমশুবা গভর্নিং কাউন্সিলগী মীফমদা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না মতম অমুক্তদা মীখলশিং পুন্না পাঙথোকপগী মতাংদা মখা তানা খন্ন-নৈনবা মথৌ তাই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) কী মতাংদা য়ানবা পুরক্তুনা ‘ৱান নেসন, ৱান এস্পিরেসন, ৱান দিটরমিনেসন’ গী মমি ময়েক শেংনা তারে। জি এস টিগী মতাংদা য়ানবা পুরকপগী থৌওং অসি পুৱারীদা নিংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

ফেদরেল ষ্ট্রকচরগী মতাংদা মীয়াম্না অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরি হায়বা জি এস টিনা ময়েক শেংনা তাক্লে হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, চীফ মিনিষ্টর পুম্নমক্কী হোৎনজমনগী মহয়না জি এস টিগী মতাংদা য়ানবা পুরকখিবনি। পোলিটিকেল পার্টিগী খেন্নবা ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা চীফ মিনিষ্টর খুদিংমক্না অমত্তা ওইবা ফীরেপ লৌখিবনা জি এস টিগী মঙলান মঙফাওনবা ঙমহনবনি।

পনবা য়াবদি, প্রনব মুখর্জিনা এপ্রিল ১৩ দা জি এস টিগী মরু ওইবা লেজিসলেসন মরি অয়াবা পীবা লৈখ্রবনি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ইন্দাইরেক্ট টেক্স রেজিম অসি জুলাই ১ দগী চৎনহন্নবা পান্দম থল্লি।

ইন্দিয়ানা নিংতম্বা ফংলবা মতুংদা খ্বাইদগী চাউবা মওংদা টেক্স লৌবগী মতাংদা লৌখৎলকপা শেমদোক-শাদোকপগী মওং অসিনা মরম ওইরগা সেন্ট্রেল এক্সাইজ, সার্ভিস টেক্স, ভেল্যু এদেদ টেক্স অমদি অতৈ লোকেল টেক্সশিং পুনশিল্লগা য়ুনিফোর্ম মার্কেট অমা লৈহল্লগনি।

লৈবাক্কী মপানি হায়না লৌনরিবা মহাত্মা গান্ধিবু নৌহৌননা নিংশিংলগা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, নিটি আয়োগনা ইন্দিয়াবু হীরম খুদিংমক্তা শেমদোক-শাদোক্লবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি। হীরম অসিদা গভর্ণমেন্ট, প্রাইভেট সেক্টর অমদি সিভিল সোসাইটিনা খুৎশম্নুনা থবক তৌমিন্নবা মথৌ তাই।

নিটি আয়োগনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টরশিংগী ওইবা সব-গ্রুপ কয়ানা সেন্ট্রেলি স্পোন্সর স্কিম, স্বাচ ভারত, স্কিল দিভলপমেন্ট অমদি দিজিটেল পেমেন্টকী মতাংদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখি। চীফ মিনিষ্টরশিংদা সেন্ট্রেলি স্পোন্সর স্কিমশিং রেকমেন্দ তৌহনবা হন্দক্না অহানবনি। ফন্দগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরবসু রেকমেন্দেসন পুম্নমক খুদক্তা অয়াবা পীখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, কুমজা ২০১৪-১৫ অমদি কুমজা ২০১৬-১৭ কী মরক্তা মপূং ওইনা ষ্টেটশিংদা ফন্দ থাদবগী চাং চাদা ৪০ হেনগৎখিবা তারবসু সেন্ট্রেল স্কিমগা মরী লৈনবা ফন্দগী চাং চাদা ৪০ ওইরম্বদগী চাদা ২৫ দা হন্থরকখি। ষ্টেট খুদিংমক্না ইনফ্রাষ্ট্রকচর

…মখা লামায় ৩ কলম৪

HONDA

PRIDE OF 1.2 MILLION OWNERS ENVY OF A LOT MORE NEIGHBOURS.

It's the love of the people that helped us achieve the highest rank in Customer Satisfaction with Aftersales Service. And it's only fair that we return the favour with offers that you will love.

AVAILABLE IN DIESEL, PETROL AND AUTOMATIC VARIANTS i-DTEC | i-VTEC | CVT

Honda Loyalty · Honda CONNECT · Honda Auto Terrace

SPECIAL OFFERS ON 2016 MODELS. *Offer valid till 25th February 2017.	BR-V	JAZZ	BRIO	AMAZE	CITY	MOBILIO	CR-V
	Exchange Bonus up to ₹ 1,00,000*	Benefits up to ₹ 40,000*	Insurance @ ₹ 1*	Benefits up to ₹ 70,000*	Insurance @ ₹ 1* + Cash Benefits up to ₹ 25,000*	Benefits upto ₹ 1,20,000*	Benefits upto ₹ 1,00,000*

Sangai Honda

Showroom: Ghari Airport Road, Imphal, Manipur, Pin-795001
Phone : 1800113121 (Toll free) & SMS <SANGAI> TO 56161 for details and enquiry.
email :salesmanager@sangaihonda.in

HL-B/3825/22 April–21 May(Alt)

ঈ-পাঙ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টশিংগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্লেব নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫